### এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

## ইম্ফাল রাইদিং-এ, তেকচম সেমী চঙখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-এ লম্ফেল অমদি তেকচম পোলো ক্লব সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

টিম অনী অসিনা থা অসিগী ৯দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-এনা অসাম রাইফলস পোলো টিম কৈথেলমানবীবু ৭-৫দা মায়থীবা পীখি।

এ বসন্তনা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ২.৪৩দা ইম্ফাল রাইদিংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৪.৩৯ অমদি অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ৪.২৭তা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন লৈশেম্বা তখেল্লম্বমনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা ইম্ফাল রাইদিংগী মায় পাকপগী ৫শুবা অমদি ৭ শুবা গোল চনবা ঙমখি।

দোল্লর সোরাম অমদি এল রোহিটনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করদা ইম্ফাল রাইদিংগী গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

অসাম রাইফলস টিমগী গোলশিং অদুনা রিয়াকট অলিনা অহানবা, অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ৪ অদুগা কেপ্টেন কে ঐচ চন্দ্রকুমারনা অনীশুবা চক্করদা গোল ১ চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা তেকচম পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বিবু ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

তেকচমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন দোরেননা অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ২ অদুগা এস সদানন্দনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ৩ চনবা ঙমখি।

পুলিস টিম-বিগী গোলশিং অদুনা টি প্রদিপ কুমারনা অহানবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ২ অদুগা টিম কেপ্টেন ঐচ অবুং খুমননা অরোইবা চক্করদা গোল ২ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা এল তরুন অমদি সী ঐচ অজিৎনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

### এন ঈ ওলিম্পিক্স গেমস

## ববিনাগী হেটট্রিকনা মণিপুর চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): মেঘলায়ানা য়ূম্বু ওইদুনা শিল্লোংদা চথরিবা ২শুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক্স গেমস ২০২২-২৩গী নুপীগী ফুটবোল মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ববিনাগী হেটট্রিককী মতেংনা মণিপুরনা অসামবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ববিনানা শান্নবা হৌরকপগী ১১ শুবা মিনটতা মণিপুরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২৯ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসি লোইশিল্লকপদা মহাক্না প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি।

এল সেলিয়া অমদি এস লিন্দা কোমনা শান্নবগী ১২ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা মণিপুরগী অনীশুবা অমদি মঙাশুবা গোল চনবা ঙমখি। অসামগী তুসামোনি গোগোইনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা মণিপুরগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল ওইবা ঙমখিবনি।

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

## টিমগী ভেল্যু হেনগৎহন্দুনা ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনরি : মাঘো

জে সী মায়া






*এ আই এফ এফ রেফরি কম্মিটিগী দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন মোইরাংথেম মাঘো*

### নুমিৎ ১১নিগী মতুংদদি মীয়াম পূন্না মীৎয়েং তামিন্নবা ফংলগনি

ইন্দিয়ন ফুটবোলবু চাউখৎনবা টিমগী ভেল্যু হেনগৎহন্নবা অমদি ইন্দিয়াগী রেফরিশিংনা এসিয়াগী অমদি ফিফাগী তোপ লেভেল টুর্নামেন্টশিংদা য়াওবা ঙম্নবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ইংলেন্দদগী ট্রেবো কেটলবু কন্ট্রেক্টতা চীফ রেফরিং ওফিসর ওইনা হাপ্পুনা কন্না হোৎনরি হায়না হান্নগী এসিস্টেন্ট ফিফা রেফরি হৌজিক্লা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী হেদ ওফ রেফরি দিপার্টমেন্টকী এসিস্টেন্টসু ওইরিবা এ আই এফ এফকী রেফরি কম্মিটিগী দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন মোইরাংথেম মাঘোনা ফোঙদোরক্লি।

'ঐগী ওইনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা চপ চানা টিম অসিমা সপোর্ট তৌই হায়বা লৈতে। রেফরি কম্যুনিটিদগী লাকপনা রেফরি টিম শোয়বা য়াদে, রেফরি টিমবু সপোর্ট তৌই।'

'হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা এসিয়াগী অকনবা টিম অমা কাখৎলকপা য়াই অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ফ্রান্সসু ৱাংনা থাজবা থল্লি। দিসিপ্লিন লৈনা শান্নবা টিম অমা ওইরিবা স্পেনসু চঙলকপা য়াই থাজে।'

*'ইন্দিয়াগী ফুটবোলনা ৱর্ল্ড কপ য়ৌনবা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী তোপ লেভেল টুর্নামেন্টশিংগী মেটচ মশীং হেনগৎহনবা য়াম্নমক মথৌ তাই।'*

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী রেফরি অমত্তনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী মেটচশিং কন্দক্ট তৌবা লৈত্রি। মসি য়াওবা ঙম্নবা লোং টর্ম প্লান অমা ওইনা অমদি প্রোফেসনেল রেফরি করিয়র শেমগৎনবা চহী খরগী মমাংদগী নেসনল রেফরি হাপ্পা হৌখ্রে। হন্দক্কী চহী অসিগী টর্মদগী ৱর্ল্ড কপ কন্দক্ট তৌবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি।

মালেমগী থাক্তা শীজিন্নরিবা টেক্নোলোজি খূদিংমক ইন্দিয়াগী ষ্টেট খূদিংমক্তা শীজিন্নবা ঙমদ্রবসু ষ্টেট খরগী তোপ ক্লাস টুর্নামেন্টশিংদা শীজিন্নবা হৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে অমদি মালেমগী তোপ লেভেল টুর্নামেন্টশিংদা কন্দক্ট তৌবা ঙম্বা রেফরি পুথোক্লবা এমেন্দমেন্টসু লৈরগনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা বজেটকী খূদোংচাদবা খরা লৈরবসু হন্দক্কী সিজন অসিদগীদি আই লীগকী মেটচ খূদিংমক্তা কম্পলসরি কম্যুনিকেসন সেট শীজিন্ননবা ৱেভিনারনচিংবা পাঙথোকপা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী তোপ লেভেল টুর্নামেন্ট ওইরিবা আই এস এলগী মথংগী সিজনদগী ভেন্যু খরদা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা ভিদিও এসিস্টেন্ট রেফরি (ভি এ আর) হাপচিন্নবসু পান্দম থল্লি।

ইন্দিয়াদা তোপ লেভেল মেটচ কন্দক্ট তৌবা ঙম্বা রেফরি মশীং য়াম্না লৈত্রি। লৈরিবা রেফরিশিং অসি ইন্দিয়াগী তোপ লীগশিং অমদি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ লালিগানচিংবগা চাংদম্নবদা রেফরিশিংগী চহীগী দ্যুটি অসি চহীদা ৯.৭তগী ১০.৯৫ ফাওবা ওইরি অদুগা য়ুরোপিয়ন রেফরিশিংগী ওইনা চহীদা ২০.০৭কী চাংদা লৈরি। মসি পুম্নমক ফগৎনবা হন্দক্কী সিজনদগী ইন্দিয়াগী রেফরিশিংসু কন্ট্রেক্টতা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ, জপান লীগ অমদি কন্টিনেন্টকী হায়র লেভেল টুর্নামেন্টশিং মেটচ কন্দক্ট তৌনবা হোৎনরি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াগী তোপ লেভেল টুর্নামেন্ট আই এস এলনচিংবা পাঙথোরকপা অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলবু ফিফা রেঙ্কিংদা হাইগৎলকপা অসি অচৌবা ক্রেদিট অমনি। ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড কপ য়ৌনবা হৌজিক লৈরিবা তোপ লেভেল টুর্নামেন্টশিংগী মেটচ মশীং হেনগৎহনবা য়াম্নমক মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

### মণিপুর ষ্টেট লীগ

## য়ং ফিজিক য়ুনিয়ননা মুভানলাই এথলেটিক্স, এ এফ সীনা য়ারখোক য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙনা মুভানলাই এথলেটিক্সপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লৈফ্রাকপম খেলজিৎ মৈতৈনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা ললাম্বুং টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। লুনগৌহাও হংশিংনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৮১ শুবা মিনটতা য়ং ফিজিককী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি প্রেমজিৎ তখেল্লম্বমনা মুভানলাই এথলেটিক্সকী এস এল সৈমিন্থাংবু শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা বুক তৌখিবনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দি এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা য়ারখোক য়ুনাইটেদ এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। ঙাসম বিতননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী এ এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এম দিরাহমন অমদি ৱাহেংবম তেজকুমার মৈতৈনা শান্নবগী ৬০ অমদি ৮৩শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

রেফরি রোবিন থোঙামনা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনখিবা এ এফ সীগী দব্লিয়ু তেজকুমার শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

### দি এস এ ককচীং সেকেন্দ দিভিজন লীগ

## রোয়ল এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়ল ফুটবোল ক্লব (আর এফ সী) হিয়াংলম ৱাবগাইনা কাদাজিৎ য়ুথ ৱেলফেয়র এসোসিএটেদ ক্লব (কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী) ৱাবগাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী ঈ দিঙ্কুনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। আর এফ সীগী স্বামিকুমারনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি। ২শুবা হাফতা প্রিয়োনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা আর এফ সীগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি পাসুরামনা আর এফ সীগী জিটেশপু মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা দবল কোসন পীদুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা বুক তৌখিবনি।

### কর্নজিৎ সেকেন্দ দিভিজন লীগ লোইশিনখ্রে

## জুভেনাইল ক্লব তেরানা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথরকপা ১১শুবা কর্নজিৎ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা জুভেনাইল ক্লব তেরানা পূন্না মেটচ ৬ শান্নবদা ৫ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ৱাই দব্লিয়ু সী মালোমনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা অনীশুবা অদুগা কে এ এন কদাংবন্দনা পোইন্ট ১০ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালনা এস ৱাই পি এ সেকমাইবু ২-০দা মায়থীবা পীখি। দিনেশ অমদি সর্টৌনা মায় পাকপগী গোলশিং চনখি।

### এম য়ুগী নুপীগী ফুটবোল টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): ওরিষ্যাগী সম্বলপুর য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয় ২০ অমদি রিজর্ভ ৭ পূন্না শান্নরোয় ২৭না শাবা নুপী ফুটবোল টিম ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা কোচিংগীদমকথা অসিগী ১১গী অয়ুক পুং ১১দা এসিস্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি নুপীগী ফুটবোল টিম অসি ওরিষ্যাগীদমকথা অসিগী ১৭তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি টুর্নামেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌনবা ট্রায়লগীদমক প্রোভেবল নুপা শান্নরোয় ২১ অমদি নুপী ১৮ খনখ্রে।

## ষ্টেট ভোলিবোল : ৱাই এম দি ও, আই জি ও মেটচ ২/২ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ভোলিবোল কোর্টতা চথরিবা ২১শুবা সিনিয়র মেন্স ষ্টেট ভোলিবোল টুর্নামেন্টতা ঙসি ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমদি আই জি ও ওইনাম মেটচ ২/২ মায় পাকখ্রে।

ৱাই এম দি ওনা এন এস য়ু আইবু ৩-১ (২৫-১৮, ২২-২৫, ২৫-২৩, ২৯-২৭) অদুগা এস সী ৱাই সীবু ৩-২ (২২-২৫, ২৫-১৪, ২২-২৫, ২৫-২১, ১৫-১২)দা মায়থীবা পীখি।

আই জি ও ওইনামনা এন ৱাই দি এ নুংকাংচীংবু ৩-০ (২৫-১১, ২৫-১৩, ২৫-১০) অদুগা সী দি ভি এ চুড়াচান্দপুরবু ৩-০ (২৫-১১, ২৫-২১, ২৫-২২)দা মায়থীবা পীখি।

### এ ইবোতোন য়ু-১৫ বোইজ থর্দ দিভিজন লীগ

## জে ৱাই সী, ও এস এ দ্রো ওইখ্রে


ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা ইবোতোন থর্দ দিভিজন অন্দর-১৫ ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জে ৱাই সী জয়পুর খুনৌ অমদি ও এস এ ওইনাম ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ওইনামগী গোল অদুনা বিল এদিসননা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা চনখি অদুগা জে ৱাই সীগী গোল অদুনা সাইখোম দয়ালনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এন জি কে এস এ ঙাইখোং খুল্লেননা কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী খুনফমবু ১-০দা মায়থীবা পীখি। এম রাজনা মায় পাকপগী গোল চনখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা আর এফ সী সী কৈনৌনা ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুরবু ৫-২ অমদি টি ৱাই দি এ তৌবুলনা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইবু ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 623**

**Julio Bolbochan - Carlos Hounie Fleurquin**
**Mar del Plata (6), 1947**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 Be7 |
| 5.e3 Nbd7 | 6.Nf3 O-O | 7.Rc1 c6 | 8.Bd3 a6 |
| 9.O-O dxc4 | 10.Bxc4 b5 | 11.Bd3 c5 | 12.Qe2 Bb7 |
| 13.Rfd1 Qb6 | 14.Ne5 Rfe8 | 15.a4 b4 | 16.Nb1 Nxe5 |
| 17.dxe5 Qc6 | 18.Qf3 Qc7 | 19.Qg3 Ne4 | 20.Bxe4 Bxe4 |
| 21.Nd2 Bd5 | 22.Bxe7 Qxe7 | 23.Nc4 Red8 | 24.Nd6 Bb3 |
| 25.Rd3 c4 | 26.Rd4 f5 | 27.h4 Ra7 | 28.e4 fxe4 |
| 29.Rxe4 Rc7 | 30.Rf4 Rf8 | 31.Rxf8+ Qxf8 | 32. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 622 Ans. :**

16. Nb5+ The white knight clears the way for White's bishop to the square e5. cxb5 17. Be5+ Kc6 18. cxb5# David and Goliath mate

1-0

## এম বি এনা মখা তানা শট্টলর মরি খনখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): য়ু পিগী লক্ষ্ণৌদা থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয় ৪ অমগা মখা তানা খনখ্রে। শান্নরোয়শিং অদুদি গলর্স সিঙ্গলস অন্দর-১৩ কাঙলূপ্তা জিয়ানা লাইরেনলাকপম অমদি রোসলিন্দা থাংজম অদুগা বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৩ কাঙলূপ্তা রিশব ঙাঙোম অমদি মার্টিন ইঙুদমনি।

অমরোমদা, এম বি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি এ চিত্তরঞ্জন অমদি সেক্রেটরি এ লাইবা অনীবুসু এন ঈ ওলিম্পিক্স গেমসকী ওফিসল ওইনা খল্লক্লে হায়রি।

### এম য়ু ইন্টর কোলেজ আর্চরি

## বিসন, বেবীনা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): রিজনেল কোলেজ লিলোংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ককচীং খুনৌ কোলেজকী ৱাই বিসন অমদি এম বেবীনা পোইন্ট ৩৮১ অমদি ৩২২ ফংদুনা ইন্দিয়ন রাউন্দ নুপা অমদি নুপীগী গোল্ড লৌখ্রে।

কম্পাউন্দ ইভেন্টতা এন জি সীগী এন দিপক অমদি এম য়ুগী এম রুপননা নুপা অমদি নুপীগী গোল্ড লৌখি।

রিকর্ব ইভেন্টকী ওইনা ককচীং খুনৌ কোলেজকী ঈ ওর্বিটনা নুপাগী অদুগা প্রভাবতি কোলেজকী হুইদ্রোম অলভাপতিনা নুপীগী গোল্ড মেদলশিং ফংখি।

## এফ সী ইম্ফালনা বসাই থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): সন্দে এফ সীনা শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা ডা. মোইরাংথেম মনাওতোন অমদি এম চন্দ্রশখি মাষ্টর ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা এফ সী ইম্ফালনা ক্বাকৈথেলনা বসাই থাংমৈবন্দবু ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

এফ সী ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পি ঐচ জোতেন মৈতৈ, হেলাল সেটলৌ, জে সেল, রোটলান সিটলৌ অমদি সৈখোহাও লোটজেননা চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি বি এস এফ এ তৌবুংখোক অমদি আই ঈ ভি এস এ খোংমন মংজিল ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

## এ এফ সী-বিগী কেন্দিদেট ২৪ খনখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ৮(ঐচএনএস): ইম্ফালদা থা অসিগী ১০দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী-বি দিপ্লোমা কোর্স (মোদ্যুল-১)দা শরুক য়ানবা কেন্দিদেট ২৪ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা খনখ্রে। খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১০গী অয়ুক পুং ৭তা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা অম্ফাগী ওফিসতা লাক্তুনা কো-ওর্দিনেটর টি ঐচ ওজিৎতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal

(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

HL-P/4575/1-30/11




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com